### ৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

# ৱাই য়ু সী মৈজ্রাওনা এস এফ সী তেরাবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ৱাই দল্লীয়ু সিমালোম গ্রাউন্দদা চথরিবা ৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই য়ু সী মৈজ্রাওনা এস এফ সী তেরাবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা টিম ৭না শরুক য়াদুনা লীগ বেসিসতা চথরিবা ৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ১৪শুবা মেচ ওইনা ৱাই য়ু সী মৈজ্রাও অমসুং এস এফ সী তেরা লন্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা এস এফ সী তেরাগী শান্নরোয় টি ঐচ চীংলেন্বা জর্সি নম্বর ১০না একাউন্ট হাংদুনা ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা ৱাই য়ু সী মৈজ্রাওগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা শান্নরন্বা অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৭২শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় ষ্টেলিন জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ১-১দা অমুক লৈহনখি। মখা তানা টিমমেট ইন্দ্রনাথ জর্সি নম্বর ৭ না অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ২-১দা অমুক মাঙজিল থাহন্দুনা মায়পাকপগী লন্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এস এফ সী তেরাগী মায়কৈদগী শোত্থরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনরবসু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু ৱাই য়ু সী মৈজ্রাওনা ২-১দা মায় পাকখি।

৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা আই এফ সী লাঙ্গোল অমসুং এস দি সী শমুরৌ লন্বা তৌনরগনি হায়রি।

## ৱর্ল্ড সিলভর মেদলিষ্ট সনাথোই ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচএনএস): চাইনাগী শাঙহাইদা থা অসিগী ১৯দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১৫শুবা ৱর্ল্ড ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা সিলভর মেদল লৌরকখ্রবী য়ূম্নাম সনাথোই (অর্জুন এৱার্দি) অমসুং সনাথোইগী কোচ ডা. মোইরাংথেম ইবোমচাবু ঙসি এমেচর ইন্সটিট্যুট ওফ ৱুশু মণিপুর অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অমসুং মীয়াম্না ইম্ফালগী টি কে ন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা হরাও তরাম্না ওক্লবা মতুং মপূং ওইবা থৌরমদা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়ায় লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সনাথোই অমদি কোচ ডা. মোইরাংথেম ইবোমচা ওকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর দিভলপমেন্ট কাউন্সিল (এম দি সী) গী প্রসিদেন্ট অয়াম মৈরাবনা অথোইবা মীথুংলেন, জীট কুনেদো এসোসিএসন মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইবম ইবোতোম্বী খুমনচানা থৌরম মপু অদুগা য়াইরিপোক হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর কৈশাম জয়কুমার অমদি ওল য়াইরিপোক য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি এল রাজেন মৈতৈনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

ৱর্ল্ড সিলভর মেদলিষ্ট অমদি অর্জুন এৱার্দি সনাথোই ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা য়াইরিপোক টোপচীংথাদগীনি। মহাক হান্নসু মমাঙদা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল লেভেলদা মেদল কয়া লৌরকখ্রবী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অর্জুন এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবী মণিপুরগী অতাঙবা শান্নরোয়নি। নোংপোক নিংথৌ য়ুথ এসোসিএসন য়াইরিপোক টোপচীংথাগী প্রসিদেন্ট অমসুং মেম্বরশিংসু ওকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

## ওফিসল অমদি শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচএনএস): গুজরাটকী বদোদ্রাদা লাক্লিবা নবেম্বর ৮দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২১শুবা সব জুনিয়র এন্দ জুনিয়র টেনিস বোল্লিবোল নেসনল চেম্পিয়নশিপ ফোর বোইজ এন্দ গর্লসকীদা শরুক য়াগদবা ওফিসল অমদি শান্নরোয়শিং খনখ্রে। খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি এম স্বাটিশ, দল্লিয়ু প্রেমচন্দ্র, কে ঐচ সোমোরজিৎ, কে ঐচ মোহেন, ও রিসিকান্ত মৈতৈ, লমজিংবা পাঙম্বম, উমানন্দ খাঙেম্বম, মৈরাবা পাঙম্বম, কে রোবার্টসন, এল লেন্দরনি। ওফিসল ওইনা টি ঐচ চুরাচান্দনা মেনেজর অদুগা এল অজিৎনা কোচনি। খল্লবা ওফিসল অমদি শান্নরোয়শিংনা এ এম টি ভি এগী সেক্রেটরিদা থা অসিগী ২৭কী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা হৈঙাং কাংজৈবুং লম্পাক্তা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লক্লি।

## লনচেনবনা এরোস্মিট থোইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচএনএস): সলাই চেছ একাদেমিনা শীন্দুনা উরিপোক হুইদ্রোম লৈকায় সলাই চেছ একাদেমিদা ঙসিদগী নুমিৎ নীনি চথুগদবা অনীশুবা য়ু-১৫ রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯দা লনচেনবা ঙাইরাংবম্না মমাঙগী চেম্পিয়ন অমসুং টোপ সীদ গুরুঅরিবম এরোস্মিট শর্ম্মবু অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীখ্রে।

নুপীমচা ১১ অমসুং নুপামচা ২১ পূন্না শান্নরোয় ৩২না শরুক য়াদুনা চথরিবা অনীশুবা য়ু-১৫ রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯দা টোপ থ্রী প্লেয়রদা কেশ প্রাইজ অমসুং মমেন্টো পীগনি। লোয়ননা চহী ১০ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী অহানবা অমসুং অনীশুবা তাবদসু কেশ প্রাইজ, মমেন্টো পীগনি। ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা লাইশ্রম নেলসন, দয়ানন্দ থৌদাম, নুংশিথোই ঙাইরাংবম, জালেস থৌদাম, এলিশ লাইময়ূম, নিংথৌজম ওলেন, হরে রাম লাইরিকয়েংবম, খুমন এনষ্টাইন মাইবম মায় পাক্তুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

## জোইন্ট ৱিন্নর পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচএনএস): থৌবাল হোকি এসোসিএসন্না শীন্দুনা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন মেন্স সিক্স সাইদ হোকি টুর্নামেন্টতা থৌবাল হোকি অমসুং কোসমো ৱাংখৈ শান্নগদবা অদু নোং চুরকপনা শান্নবা য়াদবদগী জোইন্ট ৱিন্নর পীখ্রে।

## এন এস য়ুনা আই দল্লীয়ু এস সী বু থোইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট ষ্টুদেন্ট ক্লব খুম্বোংনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সভেন এ সাইদ ভিলেজ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন এস য়ু অমদি সঙাই এফ সী থোইখ্রে। বি এফ সী অমসুং লনচেনবী এফ সী দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা এন এস য়ু অমসুং আই দল্লীয়ু এস সী লন্বা তৌনখিবদা এন এস য়ুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১৩ চনখি অদুগা আই দল্লীয়ু এস সীদগীনা পাঞ্জল অমা চনখিবদগী এন এস য়ুনা আই দল্লীয়ু এস সী (বি) খুম্বোংবু পাঞ্জল ১৩-১দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা মেচতা বি এফ সী অমসুং লনচেনবী এফ সী লন্বা তৌনখি। মেচ অদুদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ২-২ চন্নখিবদগী দ্রো চৎখি।

অহুমশুবা মেচ ওইনা সঙাই এফ সী অমসুং ৱাই দি এস য়ু কে খাবী লন্বা তৌনখি। মেচ অদুদা সঙাই এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি। অদুগা ৱাই দি এস য়ু কে খাবীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ খক চনবা ঙমখিবদগী মেচ অদু সঙাই এফ সীনা ৫-২দা থোইখি।

## সী এস সী থোইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচএনএস): দল্লীয়ু ৱাই এল ও সী কোংবনা শীন্দুনা কোংবা কৈথেলদা লৈবা শ্যাম পুখ্রিদা পাঙথোক্লিবা ৭ শুবা ষ্টেট লেভেল দল্লীয়ু ৱাই এল ও কপ ৱাটর পোলো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সী এস সী নিংথেম পুখ্রিমপালনা দল্লীয়ু ৱাই এল ও কোংববু মায়থীবা পীখি।

সী এস সী নিংথেম পুখ্রিমপাল অমসুং দল্লীয়ু ৱাই এল ও কোংবা লন্বা তৌনখি। শান্নখিবা মেচ অদুদা সী এস সীগী মায়কৈদগী গোল ৯ চনখি। অদুগা দল্লীয়ু ৱাই এল ও কোংবগী মায়কৈদগী গোল ৬ চন্দুনা মেচ অদু সী এস সীনা দল্লীয়ু ৱাই এল ওবু গোল ৯-৬তা মায়থীবা পীখি।

## টি এস এ অমসুং আর পি য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচএনএস): থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা খুলমী গ্রাউন্দ পল্লেদা চথরিবা ২শুবা থাদৌ ট্রোফি ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা টি এস এ অমসুং আর পি য়ু মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা টি এস এ অমসুং চুম্বাং ৯ ব্রদর্স লন্বা তৌনখি। টি এস এগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা টিম অদুগী দেনিয়ল অমদি গৌসেমনা মথং শীৎনা ৩১ অমসুং ৩৩ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অদুগা চুম্বাংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেচ অদু টি এস এনা পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা আর পি য়ু অমসুং সাহৈ এফ সী লন্বা তৌনখি। মেচ অসিদা আর পি য়ুনা পাঞ্জল ৪ চনখি। অদুগা সাহৈ এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী আর পি য়ুনা থোইখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৫

১) মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মিলিটরি বুথ তোংলগা লমজেল প্রেক্টিস তৌবগী মমিং চৎলি। মহাক কনানো?

২) ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা 'পব্লিক স্পোর্টস মীট' অদু করম্বা চহীদনো?

৩) অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা টিমগী কেপ্টেন অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) ওলিম্পিক্কী নুঙ লংবগী থৌরম অমদা শান্নরোয় অমা অনীরক দিসক্কালিফাই ওইখি। মরমদি মহাক্না নুঙ অদু তা লংবদৌনা নত্রগা লৈতুম হুনবদৌনা লংখি। কাংলোনগী মতুংইন্না নুঙ অদু ঙক্কা খজায় শোক্লা থল্লগা লংগদবনি। মদুদা মহাক শাউদুনা থৌরম অদু লোয়দনা তোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।





























Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com